# য়ু সী সী ককচীংনা কে এফ সী ককচীং অদুগা ৱালিদা ৱাবগাইনা আই ৱাই এ ককচীং থোইখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২০(ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা শীন্দুনা দি এস এ ককচীংগী প্লেগ্রাউন্দদা চখুরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা য়ু সী সী ককচীংনা কে এফ সী ককচীং অদুগা ৱালিদা ৱাবগাইনা আই ৱাই এ ককচীং মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী হৌরগা য়ু সী সী ককচীং অমসুং কে এফ সী ককচীংগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদা কে এফ সীনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদুগী ১৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১০ এন দ্রুবনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা কে এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা য়ু সী সীগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্লবা হান্নদগী হেন্না কন্না শান্নরকখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ৪৫শুবা মিনটতা য়ু সী সীগী জর্সি নম্বর ৬ কে এস ঐচ রেনেদিনা ইক্কেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১-১দা মান্নবা লৈখি। মদুগী মতুং মেটচ অদুগী ৭৩শুবা মিনটতা য়ু সী সীগী জর্সি নম্বর ১১ এম ভেরোনা মখা তানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক কে এফ সীগী মায়কৈদগী মেটচ লোইবা ফাওবদা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু য়ু সী সী ককচীংনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী হৌরগা ৱালিদা ৱাবগাই অমসুং আই ৱাই এ ককচীংগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী ৱালিদা ৱাবগাইগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ৭, ৮ অমসুং ৩০শুবা মিনটতা ৱালিদাগী শান্নরোয়শিং মথংশিংনা এম বিশন, এ নেলিং অমসুং এম দয়ানন্দনা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৩৬শুবা মিনটতা আই ৱাই এগী এস তোম্বনা শোয়বদগী মশাগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনশিঞ্জখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ৱালিদা ৱাবগাইনা পাঞ্জল ৪-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু ৱালিদা ৱাবগাইগী শান্নরোয়শিংনা মখা তানা অদুম্মক লাকচনা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৪১ অমসুং ৫৬শুবা মিনটতা এম বিশননা ২ অদুগা ৪৬শুবা মিনটতা সলাইঙম্বনা অমা চনখিবনি। মেটচ লোইবা ফাওবদা আই ৱাই এগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ৱালিদানা পাঞ্জল ৭-০দা লাকচনা মায় পাকখিবনি।



# টি-২০ ৱিমেন্স এসিয়া কপতা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখ্রে

**কলম্বো, জুলাই ২০(এজেন্সী):** টি-২০ ৱিমেন্স এসিয়া কপকী ওইনা ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা মেটচতা মতম পূম্বদা মখোয়গী খ্বাইদগী চাওবা লম্বা ওইরিবা পাকিস্তানগী টিমবু মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী কেম্পেন মায় পাক্না চঙশিনবা হৌখ্রে।

স্রি লঙ্কাগী রঙ্গিরি দম্বুলা ইন্টরনেসনল ষ্টেদিয়মদা ঙরাং ইনিদয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা শান্নখিবা ক্রিকেট মেটচ অদুগী টোস পাকিস্তাননা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি।

অহানবা ইন্নিংসতা পাকিস্তাননা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা গুল ফেরোজা অমসুং মুনিবা অলিনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ফেরোজা বোল ৫ মায়োক্ন বদা রন ৫ অদুগা অলিনা বোল ১১ মায়োক্নবদা রন ১১ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মখোয়গী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেন সিদ্রা অমিননা হৈন-শিংনা শান্নদুনা বোল ৩৫ মায়োক্নবদা রন ২৫ লৌরম্লগা রেনুকা সিংহগী বোলদা রাধা য়াদবনা ওক্তুনা আউট ওইখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন তুবা হাসননা বোল ১৯ মায়োক্নবদা রন ২২ অদুগা ফটিমা সনানা বোল ১৬ মায়োক্নবদা রন ২২ লৌরমখিবা অদু নৎতনা টিম অদুগী লেমহৌরিবা অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনী শুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদবদগী ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ১৯.২ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১০৮ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা ইন্দিয়ানা টার্গেট রন ১০৯ লৌবা ঙম্লবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা সফালি বর্মা অমসুং স্মৃতি মনধনানা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন ওইখিবা ইন্দিয়াগী বেটর সফালি বর্মা অমসুং স্মৃতি মনধনানা হৈন-শিংনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোলরশিংনা চখুরকখিবা এটেকশিং মায়োক য়াবা ঙমখি। মখোয় অনীনা ক্রিজতা মতম শাংনা লৈদুনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোলরশিংগী এটেক মায়োক য়াবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা সফালিনা বোল ২১ মায়োক্নবদা রন ৪০ অদুগা স্মৃতি মনধনানা বোল ৩১ মায়োক্নবদা রন ৪৫ লৌদুনা টার্গেট রন য়ৌহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। মখোয়গী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেন দয়ারন হেমালাথানা বোল ১১ মায়োক্নবদা রন ১৪ লৌদুনা টার্গেট রন য়ৌহন্নবা হোৎনবদা অমুক্কা হেন্না মতেং পাংশিল্লমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ইন্দিয়াগী টিম কেপ্টেন হর্মনপ্রিট কোরনা বোল ১১ মায়োক্নবদা রন ৫ অদুগা জেমিমা রোদ্রিগুইসনা বোল ৩ মায়োক্নবদা রন ৩ লৌরগা আউট ওইদনা লৈখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ১৪.১ শুরকপদা ইনিদয়াগী ৱিকেট ৩ তুরগা টার্গেট রন ১০৯ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা য়াম্না লাকচনা ৱিকেট ৭তা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ইন্নিংস অসিগী ওইনা পাকিস্তানগী টিমনা এক্সট্রা রন ২দগী হেন্না পীখিদে।









## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1194**

**GM Fabiano Caruana (2763) - GM Alireza Firouzja (2873)**
**Crunchlab Masters Division I Chess.com, 2024.07.19**

1.c4 c6 2.Nf3 d5 3.g3 Bg4 4.Ne5 Bf5
5.Qb3 Qb6 6.cxd5 Qxb3 7.axb3 Be4 8.dxc6 Bxh1
9. …

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 1193 Solution :**

**26. Bxd5**
Your moves:26.Nxf7
Your moves:26.Rxb7
Your moves:26.Nc6
Your moves:26.Bxa6
**Rxd5 27. Nc6 bxc6 28. Qa7#** Damiano's rook mate
**1-0**



Title : Scenery
By : Airish Yumnam
Class : III Roll No. : 1 Sec :
School : Y.K. Dawn Public School, Salam



Title : Scenery
By : Areinu Maibam
Class : I Roll No. : 49 Sec. : Marigold
School : SL Arena of Learning



Title : India Map
By : Gelin Luwang
Class : III Roll No. : 43 Sec : A
School : Little Master Kid's School, Samurou



Title : Flower Pot
By : Soraisam Ginita Devi
Class : V Roll No. : 10 Sec. :
School : Pole Star Public School



Title : A Man
By : Hensana Heigrujam
Class : I Roll No. : 19 Sec. : E
School : UNACO Khongman



Title : Parrot
By : Th. Khagemba Meitei
Class : Nursery Roll No. 54 Sec. : A
School : Tiny Tots' Unique School




Title : Save Water Save Life
By : Nungleppam Korounganba Singh
Class : IV Roll No. : 24 Sec. : B
School : KV Langjing



Title : Sun
By : Thingom Lenin Singh
Class : V Roll No. : 12 Sec. : C
School : S.R. Hr. Sec. School



Title : Duck
By : Mangal Pukhrambam
Class: KG-II Roll No. : 4 Sec. : C
School : Padma Ratna English School, Kakching



Title : Save Environment
By : Rajveer Thokchom
Class : II Roll No. : 8 Sec. :
School : Impetus School, Thinungei



Title : Landscape
By : Rodan Heigrujam
Class : II Roll No. : 30 Sec. : A
School : Catholic School, Canchipur



Title : Nezuko Kamado
By : Syeda Saliha
Class : V Roll No. : 28 Sec. : A
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : House
By : Thadoi Wairokpam
Class : I Roll No. : 26 Sec. :
School : Maichou Khongnangthaba Maheikol



Title : Pikachu
By : Takhellambam Wattabi
Class: IV Roll No. : 59 Sec. : E
School : Little Flower School



Title : Mickey
By : Yaiphabi Nambam
Class : II Roll No. : Sec. :
School : Mega Manipur School

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com